**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 14-01-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা হায়রি- ঙসি অসি আর্মদ ফোর্স ভেটরানশিংনা লৈবাক অসিগী অপুনবগী শক্তম ঙাকপদা কৎথোকপগা লোয়ননা লৌখিবা থৌদাং নৌহৌননা নিংশিংহনবা নুমিৎ ওইরে।

২) দ্রাইভরশিংবু ইকায় খুমবা উৎপগা লোয়ননা মনিপুরদা ঙসি ৩৭ শুবা দ্রাইভরস ডেগী থৌরম পাক শন্না পাঙথোকখি।

৩) নেসনেল রোড সেফতি মন্থগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ৱেষ্টনা মফম কয়াদা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোকখি ।

৪) আই.দি.পিশিংগীদমক্তা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মণিপুর সরকারনা কোকোমি অমদি আই.দি.পিশিংদা অইবা চেরোল পীরকখ্রে।

অমসুং

৫) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৌমীশিং অসি জাতি অসি শেমগৎপগী মপাং অমনি, মখোয়না হোৎনবদগী ভারত অসি মীপাল তাংদবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী খোঙজং হেন্না কনখৎহল্লে।

------

ডে (এল) ঃ লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংগা লোয়ননা মনিপুরদসু ঙসি ১০ শুবা আর্মর্দ ফোর্সেস ভেটরান্স ডে ২০২৬ পাঙথোকখ্রে। ইম্ফালগী মনিপুর ষ্টেট ফিল্ম দিবলপমেন্ট সোসাইতি (এম.এস.এফ.দি.এস) কী পেলেস

ওদিটোরিয়মদা পাঙথোকপা থৌরমদা রাজ্যপাল-অজয়কুমার ভল্লানা গেলেন্টরি এৱার্দ ফংলবা ভেটরান অমসুং বির নারি ৫৩ ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরমদুদা ৱা ঙাংবদা রাজ্যপালনা হায়- আর্মদ ফোর্স ভেটরানশিংনা লৈবাক অসিগী অপুনবগী শক্তম ঙাকপদা কৎথোকপগা লোয়ননা মখোয়না লৌখিবা থৌদাং নোহৌননা নিংশিংহনবা নুমিৎ ওইরে। মহাকা হায়- ভারতকী অপুনবগী শক্তম ঙাকপদা মণিপুরদগী ভেটরান অমদি এক্স-সার্ভিসমেনশিংনা লৌখিবা থৌদাং খক্তা নত্তনা ঙসি ঙসিমক মথৌ পাঙথোক্লিবা আর্মদ ফোর্সশিংনা লৌরিবা থৌদাং শিংথানিঙাইনি। শ্রী ভল্লানা মখা তানা হায়- আর্মদ ফোর্সশিংগীদমক সরকারগী মাইকৈদগী হকশেলগী লমদা তেংবাং পীবাখক নত্তনা মখোয়গী পেন্সনসু মতম চানা ফংহন্নবা কেন্দ্র সরকারনা হোৎনরি।

থৌরম অদুদা চীফ সেক্রেটরি-ডা: পুনিত কুমার গোয়ল, চীফ সেক্যুরিতি এদভাইজর, রিটায়ার্দ লেফটনেন্ট জেনেরেল কোনশম হিমালায়া, মণিপুর পুলিসকী মকোক থোংবা ওফিসিয়েলশিং, আর্মদ ফোর্স অমদি পেরা মিলিটরি ফোর্সকী ওফিসিয়েলশিং অমসুং এম.এল.এ. টি.ঐচ. বিশ্বজিৎ শরুক য়াখি।

আর্মদ ফোর্সেস ভেটরান ডে দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ককচিংনা শিন্দুনা দি.সি. ওফিসকী কনফরেন্স হোলদা পাঙথোকখি।

আর্মদ ফোর্সেস ভেটরান ডে অসি লৈবাক অসিগী অহানবা ইন্দিয়ান আর্মিগী কম্মান্দর ইন-চীফ ফিল্ড মার্সেল-কে.এম. করিয়াপ্পানা তৌরম্বা থবকশিং অদুবু ইকায় খুমবা উৎতুনা চহি খুদিংগী জানুৱারী ১৪ দা পাঙথোকপনি। ১৯৫৩ গী ঙসিগী নুমিৎ অসিদা মহাক থবক্তগী পোত্থাখি।

আর্মদ ফোর্সেস ভেটরান ডেদা রাষ্ট্রপতি দ্রৌপদি মুরমু অমসুং ঙাকশেল মন্ত্রি রাজনাথ সিংহনা এক্স-সার্ভিসমেনশিংদা শ্রদ্ধাঞ্জলি কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎলি। রাষ্ট্রপতিনা হায়- এক্স-সার্ভিসমেনশিংগী হনবা লৈতবা থৌনানা ভারত মচা খুদিংমক্কী পুকিং ঈথিল ওইরি।

দ্রাইভরস ডে (এল)ঃ মনিপুরদা ঙসি ৩৭ শুবা দ্রাইভরস ডে পাঙথোকখি। ওল মনিপুর রোড ট্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস এন্দ মোটোর ৱাকরস য়ুনিয়নগী মীৎয়েং

মখাদা জোইন্ট কো-ওর্দিনেটিং কমিতি, ৩৭ শুবা দ্রাইভরস ডে ওবজারভেসন ২০২৬ না শিনদুনা নুমিৎ অসি থাংমৈবন্দগী থাউ গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরমদুদা ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বী অমসুং ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বীদা লমদম অসিগী মীয়ামগী হিংবদা চংবা তঙাইফদবা পোৎলম পুশিন্নবা হোৎনবদা থৱায়না পোন্থা পীখ্রবা দ্রাইভর ৩১৯ গী মফমদা মীয়ামনা হৈকৎ লৈকৎ তমদুনা ইকায় খুমবা উৎখি।

থৌরম অদুদা এদিসনেল চীফ সেক্রেটরি (ত্রান্সপোর্ট)-অনুরাগ ভাজপায়, ত্রান্সপোর্টকী দাইরেক্তর-খুমন্থেম দাইনা, ত্রাফিক কন্ত্রোল পুলিস ৱিং-মনিপুরগী এস.পি. সেসিলিয়া সোপেমলা অমদি ত্রান্সপোটর এন্দ দ্রাইভরস কাউন্সিলগী ভাইস প্রসিদেন্ট-কে.ঐচ. ইবোতোম্বী য়াওনা চীং অমসুং তমগী তোঙান তোঙানবা য়ুনিয়নশিংগী মীহুৎশিং শরুক য়াখি।

জিরিবামদসু ওল জিরিবাম রোড ত্রান্সপোর্ট দ্রাইভরস য়ুনিয়ন্না শিন্দুনা ৩৭ শুবা দ্রাইভরস ডে, পি.দব্লিউ.দি গেষ্ট হাউসতা পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা জিরিবামগী এদ্দিসনেল দিপ্যুতি কম্মিসনার টি.ঐচ. মনোরঞ্জন, এদ্দিসনেল এস.পি- টি.ঐচ. কমলজিৎ সিংহ অমদি দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্ট ওফিসার জিরিবাম এম. বিকাশ সিংহনচিংবা শরুক য়াখি।

লৈখিদ্রবা দ্রাইভরশিংগী মফমদা লৈ-শু কৎপা, মিনিত অমা তুমিন্না লেপ্তুনা ইকায় খুমবা উৎপা অমসুং লৈখিদ্রবা দ্রাইভরশিংগী ইমুং মনুংদা খুদোলপোৎ পীবনা থৌরম অদুগী মপুং ওইবা শক্তম ওইখি।

লম্বী (এল)ঃ থাবুম অমা চথুগদবা নেসনেল রোড সেফতি মন্থগা মরী লৈননা দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ৱেষ্টনা মফম কয়াদা তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং পাঙথোক্লি।

থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী দিষ্ট্রিক্ট রোড সেফতি কমিতিনা ক্বাকৈথেল পুলিস আউট পোষ্টতা লম্পী চৎথোক চৎশিনগী মতাংদা মীয়ামবু হেন্না খঙহন্নবা কেম্পেইন অমা ঙসি পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা লম্বীদা গাড়ি থৌদুনা লাক্লিবা মীওইশিং খামদুনা হেলমেট উপ্পগী

কান্নবা অমদি গাড়ি নিতি নিয়ম চুমা থৌনবা ত্রাফিক পুলিসশিংনা পাউতাক পীখি।

থৌরাং অসি ক্বাকৈথেল পুলিস আউট পোষ্ট, কংলা ৱের্ষ্টন গেট, ৱাহেংবম লৈকাই পার্কিং এরিয়া অমসুং শিংজমৈ পুলিস ষ্টেসন-ককৱাগী মফমশিংদসু পাঙথোকখি। কেম্পেন অসিগী শরুক অমা ওইনা লম্বীগী খুদোংথিবা থোক্তনবা, ত্রাফিক্কী নিয়ম থুগাইবা, সিট বেল্ট ফাদনা গাড়ি থৌবা, ই-চলান ককপনচিংবগী মতাংদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহনখি।

নেসনেল রোড সেফতি মন্থকী মতাংদা সেনাপতি জিলাগী দিপ্যুতি কম্মিসনার মামোনি দোলেনা সভাপতি ওইদুনা মীফম পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা দিপ্যুতি কম্মিসনারনা এস.দি.ওশিংদা নেসনেল হাইৱে টুদা লম্বীদা অপনবা পীরিবশিং অথুবা মতমদা লৌথোকবা খঙহনখি। এক্সিদেন্ট থোক্কনবা মফমশিং খঙদোকবসু মহাকা পাউতাক পীখি।

অমরোমদা, দিষ্ট্রিক্ট ত্রান্সপোর্ট ওফিস ককচিং মমাং থাগী তাং ৫ দগী মপুং ফানা থবক তৌবা হৌরে হায়রি। ত্রান্সপোর্ট ওফিস অসি ককচিং দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্সকী রুম নম্বর ১৫-সি অমসুং ১৮-সিদা হাংদোক্লে।

কোকোমি (এলঃ) ঃ আই.দি.পিশিংগীদমক্তা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা মণিপুর সরকারনা কোকোমি অমদি আই.দি.পিশিংদা অইবা চেরোল পীরকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ঙসি ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা কোকোমিগী ওফিসতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা কোকোমিগী কনভেনর খুরাইজম অথৌবনা হায়- থা অমা চুপনা মণিপুর সরকারদা আই.দি.পিশিংগী পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং মীয়ামদা খঙহল্লু হায়দুনা মেমোরেন্দম পীশিন্দুনা লাকখ্রবা মতুং সরকারগী পাউখুম ফংলিবা অসি মীয়ামগী ইহৌ মায় পাকে হায়বদু তাকপনি। মহাকা হায়- সরকারনা পীরক্লিবা পাউখুম অসিগী মতুংইন্না আই.দি.পিশিংগী লৈফম অমদি অমুক হন্না খুন্দা লৈতাহন্নবা পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিং, তাঙ্কক নাইনা পায়খৎকদবা রি-সেটলমেন্টকী

থবক থৌরম, আই.দি.পিশিংদা পীগদবা হকশেলগী কান্নবা, লাইরিক লাইশু তম্বগী থৌশিল, আই.দি.পিশিংদা থবক ফংহন্নবগী খুদোংচাবা অমদি আই.দি.পিশিংগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্নবগী থৌরাং য়াওনা মখোয়গী ঙাকশেলগীদমক পায়খৎলিবা থবক থৌরমশিংগী মতাংদা চেরোল অদুদা পল্লি।

ঙানু (এলঃ) ঃ মণিপুরদা ফংবা ঙানু মখল অমা ওইরিবা মৈতৈ ঙানু নত্রগা ঈশিং ঙানু হায়না খঙনবা ঙানু অসি লমদম অসিদা মহৌশাদগী ফংবা ঙানু মখল অমনি হায়না রেজিষ্টর তৌরে।

নিউ দিল্লিদা মমাং চহিগী নভেম্বর ১২ দা পাঙথোকখিবা আই.সি.এ.আরগী ব্রিদ রেজিষ্ট্রেসন কমিতিগী ১৩ শুবা মীফমনা ঙানু মখল অসি ইন্দিজিনস ওই হায়বগী অয়াবা পীখিবনি। ঙানু মখল আই.সি.এ.আর-নেসনেল ব্যুরো ওফ এনিমেল জেনেতিক্স রিছোর্সেস, করনাল, হরিয়ানানা রেজিষ্টর তৌরে। মণিপুরগী ঙানু মখল অসি মহৌশাদগী লৈজরক্লবা লাইভ ষ্টোক ১৩ খনগৎপদা য়াওরকপনি। ঙসি নিড দিল্লিগী এ.পি. সিন্দে হোল এন.এ.এস.সি কমপ্লেক্সতা পাঙথোকপা থৌরম অমদা ব্রিদ রেজিষ্ট্রেসন সার্তিফিকেট অদু কেন্দ্রগী লৌউ শিংউ মন্ত্রি শিবরাজ সিংহ চৌহান্না সেন্ত্রেল এগ্রিকলচরেল য়ুনিভর্সিতি ইম্ফালগী মীহুৎ ওইনা শরুক য়াখিবা ডাঃ টি.সি. তোলেনখোম্বা, ডাঃ হাওবিজম চাউবা সিংহ অমসুং ডাঃ এম. নোরজিৎশিংদা খুৎশিন্নখি।

কোর্ট (এলঃ) ঃ কম্মান্দেন্ট হোম গার্দনা থোকখিবা ওর্দর চৎনহন্দনবা থাংগৎলকখিবা ব্রাকৎ অমগা মরী লৈননা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি অমসুং দি.জি.পি য়াওনা মরী লৈনবশিংদা লিগেল নোতিশ থাখ্রে।

মণিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না থাংগৎলকখিবা ব্রাকৎ অদুগী মতাংদা ঙরাং হাই কোর্ট ওফ মণিপুরগী জষ্টিস অহন্থেম বিমোলগী কোর্টতা চথখিবা হিয়ারিংদা হিরম অসিগী মতাংদা মরী লৈনবশিংনা চয়োল মরিগী মনুংদা পাউখুম পীরকবা খঙহনখি। লোয়ননা কম্মান্দেন্ট হোম গার্দনা

থোকখিবা ওর্দর অদুগী ইন্টরিম ওর্দর অমা পীনবা এসোসিয়েসন্না থল্লকখিবা ৱাফম লাক্লিবা ফেব্রুৱারি ২৬ তা খন্ননবা মতম লেপখ্রে। কোর্টনা ঙরাং পীখিবা রাই অদুগী মতুংইন্না কম্মান্দেন্টকী ওর্দর অদুগী মখা তাবা থবক লৌখৎতনবা ঙসি লিগেল নোতিশ অদু থাখিবনি।

লন্বী (এলঃ) ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী নম্বোল কেন্দ্রগী মনুং চনবা লৈমাপোকপম গ্রাম পঞ্চায়ট ফাওরগা চৎলিবা মালোমদগী চীংফু কৈথেল তাবা লন্বী মীয়ামা শেল খায়নদুনা কয়লা থাবা হৌখ্রে। হিরম অসিগী মতাংদা য়ুনাইতেদ দিভলপমেন্ট কমিতি লৈমাপোকপম পুনফমগী সেক্রেতরি অশেম নৱাংনা হায়- মালোমদগী চীংফু কৈথেল তাবা কিলোমিতর মরি শাংবা লন্বী অসি মতম কুইনা শেন্বীদনা লাকপনা মরম ওইরগা মীয়ামগী চৎথোক চৎশিনদা চাউনা অৱাবা মায়োকরগা লাকপনি। মহাকা হায়- লন্বী অসিদা লাকপা স্কুলগী গাড়ি য়াওনা অতৈ গাড়িশিং ফাওবা চৎনিংদবগী ফিভমদা য়ৌরকপদগী লৈকাই মীয়ামা লন্বী শেন্বগী খোঙথাং অসি লৌরকপনি। মফম অসিদা লৈরিবা য়ুমথোঙ লিশিং ২,৪০০ রোমগী মীওইশিংনা শেল খায়নদুনা কয়লা থাবা হৌরে। লন্বী শেন্বগী থবক থা অমগী মনুংদা লোইশিন্নবা হোৎনগনি।

পিএম ঃ প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়রি- লৌমীশিং অসি জাতি অসি শেমগৎপগী মপাঙ্গল লৈবা মপাং অমনি অমসুং মখোয়না হোৎনবদগী ভারত অসি মীপাল তাংদবা লৈবাক অমা ওইহন্নবগী খোঙজং হেন্না কনখৎহল্লে। মহাক া হায়- লৌমীশিংবু শক্তি পীবা হায়বসি কেন্দ্রগী অচেৎপা ফিরেপনি অমদি হিরম অসিদা চোকথবা লৈতনা থবক পায়খৎলি।

নিউ দিল্লিদা লৈবা কেন্দ্রগী ইনফোর্মেসন অমসুং ব্রোদকাষ্টিংকী রাজ্য মন্ত্রি ডাঃ এল. মুরুগনগী য়ুমদা পাঙথোকপা পোংগাল কুম্মৈদা শরুক য়ারদুনা প্রধান মন্ত্রিনা হায়- পোংগাল কুম্মৈনা তামিলনাদুগী পাক চাউরবা সংস্কৃতিগা মহৌশাগা লৈনরিবা মরী অদু উৎলি। মহাকা হায়- কুম্মৈ অসিনা মহৌশা, ইমুং মনুং অমদি সমাজগী মরক্তা চপ মান্নবা থোং অমা উৎলি।

প্রধান মন্ত্রিনা হায়- লৈবাক লৈহাও মাংহন্দনা থম্বা, ঈশিং য়োক্তুনা থম্বা অমদি মহৌশাগী পোখোকশিং তুংগী মীরোলগীদমক হৈ শিংনা শিজিন্নবা তঙাইফদে। শ্রী মোদিনা হায়- মিসন লাইফ, এক পের মা কে নাম অমসুং অমৃট সরোভরনা অসিগুম্বা থৌরাংশিং অসি পুকিং থৌগৎলি।

মীফম ঃ ভারত অমসুং মালেসিয়ানা পুন্না সভাপতি ওইদুনা অসিয়ান লৈবাকশিংগী ঙাকশেল মন্ত্রিশিংগী ১৬ শুবা মীফম অমসুং এক্সপার্ট ৱার্কিং গ্রুপ মিতিং ওন কাউন্টর তেরোরিজম ঙসিদগী নিউ দিল্লিদা হৌখ্রে। নুমিৎ হুমি চথুগদবা মীফম অদুদা অসিয়ানগী মেম্বর ১১ অমসুং ৱারী শান্নবদা য়াওরিবা লৈবাক ৭ কী মীহুৎশিং শরুক য়ারি।

মীফম অসিনা কাউন্টর টেরোরিজমগী মতাংদা ভারতনা তোঙান তোঙানবা লমশিংদা মতেং পাংননবা হেনগৎহন্নবা চহি অহুমগী ৱার্ক প্লানগী মতাংদা খন্নবগী খুদোংচাবা পীরে।

মীফম হৌদোকপগী থৌরম ৱা ঙাংলদুনা ঙাকশেল মন্ত্রালয়গী জোইন্ট সেক্রেতরি অমিতব প্রসাদনা হায়- তেরোরিজম হায়বসি হৌজিক্কী মতম অসিদা খ্বাইদগী চাউনা শিংনবা অমা ওইরি। মসিবু অমত্তা ওইনা পুন্না থেংনমিন্নবগী তঙাইফদবা লৈ।

--হৌজিক শান্নবগী পাউ--

মাসি ঃ মণিপুর এদভেঞ্চর এন্দ এল্লাইদ স্পোর্টস ইন্সটিটুট (মাসি) কৈরাউ ইম্ফাল ইষ্টনা শিন্দুনা নুমিৎ মঙানি চথুগদবা ৱিনটর এদভেঞ্চর কেম্প ঙসিদগী কমপ্লেক্স অসিদা হৌখ্রে। কেম্প অসিদা পুন্না নুপামচা ত্রেনি ১৫ না শরুক য়ারি।

হোক্কিঃ ইম্ফাল ইষ্টকী কোন্থা অহল্লুপ্তা লৈবা ৱাই.সি.সি.আই.সিনা শিন্দুনা ইবুধৌ মার্জিং লম্পাক্তা চথরিবা ১৩ শুবা য়ুমাম রাসমণি মেমোরিয়েল ইনভিতেসন অন্দর ফিফতিন বোইজ এন্দ ৱিমেন হোক্কি তুরনামেন্টকী ঙসি

শান্নখিবা নুপামচাগী মেটচশিংদা- এস.ৱাই.য়ু.সিনা ৱাই.সি.সি.আই.সি-এ কোন্থা অহল্লুপ্পু পাঞ্জল ১৩-০ দা থোইখ্রে। ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচশিংদা ৱাই.সি.সি.আই.সি-বি কোন্থা অহল্লুপনা বি.ঐচ. বিষ্ণুপুরবু পাঞ্জল ৮-২ দা অমসুং ঐচ.য়ু. লাইরিকয়েংবম লৈকাইনা মৈরা বাসিখোংবু পাঞ্জল ৮-৩ দা থোইখি।

নুপীমচাগী ওইনা শান্নখিবা মেটচতা- মৈরা বাসিখোং অমদি টি.দব্লিউ.সি তাওবুংখোক পাঞ্জল ২-২ চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

ফুটবোল ঃ এম.পি.এ থৌনাউজম প্লে গ্রাউন্দদা চখ্থরিবা ইমা পান্থোইবী ত্রোফিগী ঙসি শান্নখিবদা ৱাংখেম এফ.সি অমসুং ফ্রেন্স এফ.সি পাঞ্জল ১-১ চন্নদুনা দ্রো চৎখ্রে।

ফুটবোল ঃ হাউরৈবী নোর্দন স্তার ক্লব অমসুং হাউরৈবী অপুনবা এফ.সিগা খুৎশমদুনা শিনবা তরুকশুবা চন্দ্রনিদি ত্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা- কৈখু এফ.সিনা উরুপ অরাপতি এফ.সিবু পাঞ্জল ৫-২ দা অমসুং নোংপোক শঞ্জেনবম এপ.সি.না শামুরৌ এফ.সিবু পাঞ্জল ৩-০ দা থোইখ্রে।

ফুটবোল ঃ ১১ শুবা জিংতুং লোংফাং স্পোর্টস, লিটরেরি অমসুং কলচরেল ফেষ্টিভেল ফালি ভিলেজগী ঙসি শান্নখিবা সোমদাল অমসুং তিংসোংগী মেটচ পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে। অতোপ্পা মেটচ অমদা মাইচোননা তালুইবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

ক্রিকেট ঃ লংথাবাল পব্লিক গ্রাউন্দা চখ্থরিবা ২২ শুবা মনিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০২৫-২৬ কী ঙসি শান্নখিবা অনিশুবা ক্বাটর ফাইনেল মেটচতা রেজ নাগামপালনা চেম্প খাগেমপল্লিবু ৱিকেট ৭ তা থোইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ ৫ শুবা এম.এন.সি.এ সুপর প্লেট ট্রোফিগী ঙসি পাল্লিগ্রাউন্দ খাঙবোক পার্টি-থ্রিদা শান্নখিবা মেটচতা অক্সদো খাঙবোকনা য়ু.সি.সি কাংচুপ রোদবু রন ৪১ দা থোইখি।

মোদেল হায়র সেকেন্দরি অমসুং ওরিয়েন্টেল কলেজ গ্রাউন্দদা শান্নখিবা টি.সি.এম.দি.সি থোংজ-টু পেচু লম্পাক অমসুং পি.টি.সি.সি পাৎশোই পার্টি থ্রিগী মেটচ তাই ওইখ্রে।

ক্রিকেট ঃ গেলেক্সি ক্রিকেট ক্লব-খুরাই সাজোর লৈকাইনা শিনদুনা চথরিবা অহানবা কে.সি.সি. কপ-খুরাই, ষ্টেট লেবেল ওপন টেনিস বোল ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা কার এলেভেন পোরোমপাৎনা কে.জি.এফ খুরাইবু রন ৯৩ দা, পাথৌ এলেভেন খুরাইনা কে.বি.এইমসপু ৱিকেট ৮ দা থোইখি।

------